## ৱারী মচা

# কুমওনসিনা লাকপসিদা

(আর কথিং তাঞ্জুল লিটরেরি এৱার্দ ২০১৯ ফংখ্রবা ৱারীমচা)

**লাইশ্রম শ্যামো**

‘‘ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাক্লবগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসিদা ...’’ ময়েক শেংনা তারম্বা খোঞ্জেল অসুম লাপথোকখি।

খোঞ্জেল অদুনা ঙানবীগী মফমদা পুঙমদ্রবা পোৎলুম অমা থোঙ্গৎপীবগুম থোক্লরে। কুমজা কয়া হৌখ্রবা থম্মোয় কায়রবা থৌদোক্তুগী ৱারী ঙসিসু নৌহৌননা নীংশিংলক্লি। করম্নবু কাউগনি, মাগী নুংশি ৱারীদি মপোকসিমগীদি নীংশিংদুনা অসুম লৈরগনি।

ঙসিদি মখূৎনা থাজরম্বা হৈরাং লৈরাং কয়াসু শারেপ কাংদোং ফারক্লে। তাইবঙ মীরোল তাদনা লৈহৌবা মাগী নুংশি খূদোলসু চাউবা শারেপ তাল্লক্লে। উরু উরু খুদিং মাবু নীংশিংনফমতা মওইরকই। ওঃ নুমিত্তো! মশেক মঙাল নাইনা থোক্লম্বা কোরৌসু থোক্লক্কদবা তমথিরবা থৌদোক কয়াদু উনিংদবদগী ইঙাগী নোংলক্তা লোত্তুনা খাঙখি। য়েংলম্মী অমুক্তংদি মোংবা মরনয়াই চঙলমদাই, মমিৎ ইঙাং ঙাংনা ঈখেংগী পিরাং শিন্থনা। ইঙা কৌবী কপচেৎপী, নুমিৎতুদি নঙগী পিরাংসু লেপ্পা লৈতনা শিন্থখি লাউ খোঙনা। ঙসিদি করিগী য়েংলরি তুমিন, কুমওন্না লাকপদা নুংশিবা মাগী মফমদা নীংশিং ফুরা মখোঙদা হৈরাং লৈরাং কৎলুনি, নুংশিবা মাগা হকথেঙনরুগনি। মাদি ঐবু ঙাইরম্বনি মোমোন্তা নোকপা মায়থোঙগা। অদুবু শুপ্পনতগী নোকপতনি, পাউখুমদি অমুক্তসু পীরক্তে।

অসুম খল্লম্বদগী, ঙানবী মীৎলু পিরাং শিন্থনা হৌখিবা ৱারীশিংদো মথং মথং নীংশিংলক্লি।

‘‘নখোয় মপাল অমত্তা থোক্লনুকো। তমথিবা নোংমৈ মখোলনি। থোঙ্গালগী কোন্থোদুসু থিংজিল্লু। মী চঙলক্কনি। ইবুংঙো নঙ ইমুংদা চঙখো।’’

‘‘ইমা কৈশু তৌরোইদা। করিগীনো ইমানা অসুক কিরিদুবো? লম্বীদা মী ময়াম চৎনরিসি উবিদ্রা ? ’’

‘‘মীনা চৎপদি চৎসনু। নঙা থোকউনু’’

‘‘ইমা ময়াম্মা চৎনরিবসে মরন্নাইগী নত্তেনে, ইরমদমগীনি। ইরমদমসিদা মীরম্না লম খোপচিল্লক্লগা তুমিন্না লৈগদ্রা? ঐখোয় লৈরি হায়বসে খঙহনবা তাবনি।’’

‘‘লৈবাক্কী ফম্নাইবা লুচিংবশিং লৈরি, মখোয়না মরাইনা হোৎনগনি। মদুগী নখোয়না ৱারুরিবা করিগীনো? মদুগী মখোয়গী মথৌনি।’’

‘‘মখোয় লৈনা লৈননি লাউথোক্লিবসি। মণিপুরগী চীংগী লম পুম্বা অতোপ্পা তাইনরিবা লৈবাক্কী ঙমখৈদা চল্লে হায়দুনা। চহী লীশিং অনীগী মমাঙদগী লৈরক্লবা ইরমদমগী শক্তম্বু থুগায়নবা হোৎনবা ঐখোয় কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা মাঙবা য়ারোই। ইমা ঐ চত্তবা য়াদে। মীনা উশিতবসে ঐ খাঙদুনা লৈবা ঙম্লোই।’’

‘‘ইমাগী সনাথোই, নঙ অমুক্তা তপথখো। ইমাহোয়গীদি নঙনা অয়ুক্কী নুমিৎ ওই, নুমিদাংগী থাজগুম য়েংদুনা লৈজরিবনি। নঙনা থোকখিবদা ইমা হোয়দি লৈফম খঙলোই।’’

মমা মচানা ঙাংনবদো ঙানবী পীক্লিবা মচা থা তরুক্তা ঙাইরিবদো পমদুনা তাজরি। ইমুং লোমদা চঙলক্লগা সনাথোই মাগী কাদা ফি–রোল শেৎপা হোৎনরি। ঙানবীনা চঙলক্তুনা,, ‘‘তামো, চৎপীবা তারব্রা?’’

‘‘চৎতবা য়াদবনি, মসিদি ঐখোয়গী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাংনি। চৎলিবসি মীয়ামগীনি। ইমা অমসুং নঙগীসু য়াওরিবনি। পোক্লফম ইমাবু মচেৎ মচেৎশেত্তুনা শরাক তল্লিবসে ঐখোয়না কমদৌনা য়েংদুনা লৈগনি। পোক্লফম ইমানা মশম মনা থাদোক্তুনা খোঙ শাংনা তিংথোক্তুনা ‘ইমাবু কল্লো লাউ’ হায়না কপ্লিবসে নখোয়দি তাদ্রবরা?’’

‘‘তামো ঐদি শেংনা চৎহঞ্জনিংদে। চৎলিবসি লানফমনি। খূৎলায় পায়বগা পায়দবগা অনীগী লানফমনি। পীক্লিবা অঙাংশিংগীসু খরা খনবিয়ু।’’

‘‘করিনো নঙনা হায়রিবদো? নঙবু মৈতৈ নুপী নৎত্রা? মৈতৈ নুপীগী লিংজেল থৌনাদো কদায়দা চৎখ্রবগে? করিগীনো ৱাখল অদুক হন্থরিবা? নঙনা থৌনা হাপকৎকদ্রা হায়রগা ঐবু ফাজিন্নবা হোৎনরিব্রা?’’

অঙাংদো ফমুংদা থল্লগা মীৎকী শিন্থরক্লিবা পিরাংদো তৈথোক তৈথোক্লা ‘‘তামো, ঐনা তামোগী ৱাখল হন্থনবা হোৎনজবা নত্তে। অসিগুম্বা অকিবা ফঙলবা ইরাংসিদা তামোবু চৎথোকহন্নিংদে।

ফমুংদা থল্লিবা অঙাংদুসু সনাথোইনা চৎনবা লাংবদুদা শিথ শিথ কপ্লি। অঙাংদু পমখত্তুনা,

‘‘নঙনা অসুক য়াম্না কপ্লিসিবু, ঐবু চৎকনু হায়রিব্রনে?’’

অঙাংদুবু অমুক্তং চুপ্পল্লগা সনাথোই হেক থোরকপদা মমানা মাঙ্গোলদা লেপ্তুনা লৈরমখি।মমাগী মখোঙ শোক্তুনা খুরুল্লগা,

‘‘ইমা, নচা চৎচরুখিগে।’’

মনানা মীৎকী পিরাং ঈহৌনা মকোক্তা নান্থবীখি, ‘‘ইবুংঙো মায় পাক্তুনা হল্লকউকো।’’

সনাথোই মমাগী য়াথং ফংলবদা থোঙ্গাল্লোমদা প্রপ প্রপ থোকখি। ঙানবী অঙাংদু পমদুনা সনাথোইনা চৎখিবদু য়েংদুনা লৈহৌই।

মায়কৈ মায়কৈদগী অকনবা খোল্লাউ কয়া লাউনরকখি।

‘‘মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই’’

‘‘চীং–তম অমত্তনি।’’

‘‘মণিপুরগী ঙমখৈ চহী লীশিং অনীগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি।’’

‘‘মণিপুরগী ঙমখৈ ইঞ্চি অমা মাঙবা য়ারোই।’’

চৈথেৎ পায়দুনা, পাক্লা ফিদা য়েত্তুনা লাউর লাউরদুনা চৎলম্মী। হৌনরুবা নাইদনা খোয়শাওনরবা মীয়ামগী থিংঙমদ্রবা ঈহৌদুনা মণিপুরগী চুপ্পি পায়রিবশিংগী ৱা খন্নফম এসেমব্লি হোল মৈ থারম্মী। লৈঙাক্কী অচৌ অশাং লৈফমশিং মথং মথং থুগায়রম্মী। মৈ থারম্মী। লাউনরকই মীয়াম্না ‘নখোয় নহানমখৈ কৈদৌদুনা লৈ। মোন্দুম মোন্তেক মথক্তা নুংঙাইনা য়াওন্দুনা লৈরিঙৈদা মীনা লম খোপচিনবা খঙহৌদব্রা? ফম কোন্দুনা লৈরিবদি নখোয়গী লৈফম থুগায়নি’ হায়দুনা থুগায়রকখি। লুচিং পুরেল ওইরিবা ফম্নাইবা কয়া কোয়চেন চেন্দুনা উচি মখুন্দা চঙদুনা খাঙখি। মখোয়না থাদোরকপা সিফাই পুলিস কম্মান্দো কয়ানা খূৎলায় পায়জদ্রবা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না লাউদুনা চৎলিবা নহারোল কয়া শা, ষণ ফুবগুম কোয়তান কোয়তান তান্দুনা ফুখি। রবর বুলেট, টিয়ার গ্যাস, অশেংবা নোংমৈ মরু কাপ্তুনা তানখায়খি। পূম্নমক্তু টি ভিদা ময়েক শেংনা উবা ফঙনখি।

মখোয়গী চৈফু খাংবা ৱারবা নহারোল কয়ানা উপায় লৈতদুনা তারম্বা নুঙ চেক খুল্লগা লংবা, নাওরি কাপ্পা কয়াসু য়াওখি। নহারোল কয়ানা নোংমৈনা নমদুনা ফারগা লম্বী ময়াইদা উপহন্দুনা মশীং খঙদনা চৈনা ফুরম্মী। পরেং শানা লেপহল্লগা অচৌবা লীচৈ নৎত্রগা শহিগী শীংগাইবাক্লা য়াম্না থিনা ফুরম্মী। খূৎলায় পায়বা সিফাই পুলিসশিং অদুনা মখোয়গী অতম্নবা য়েক্লবগুম অশেংবা নোংমৈ মরুনা কাপ্তুনা মীওই কয়া থৱায় লৌখিরম্মী। অশোকপা কয়া য়াওরম্মী। ফনা য়াম্না ফুরবসু, হাৎলবসু নহারোলগী থৌনাদি হনবা লৈখিদে। হেন্না হেন্না মায়কৈ কয়াদগী থোমজিল্লকখি। খূৎলায় পায়বগা পায়দবগা শোক্লখিবা লানফম হায়বদো। লম্বী লমজাও মীয়ামগী খোল্লাউনা নিনখি।

নুমিৎ তারক্লবদা পোম্বী চেক্লো কয়াদি মহুমদা পাইশিন্নরকই। সনাথোই নুমিদাংৱাই ওইরক্লবা ফাওবদা হল্লকখিদে। মমা অমদি ঙানবীদি লৈফম খঙদনা থোঙ্গাল অমুক থোক, য়ূমলোমদা অমুক চঙ, মিহুন চেনগুম চেনগানখি। সি আর পি সিগী ধারা ১৪৪ লাউথোক্তুনা কার্ফিয়ু থমদুনা মী অমত্তা য়ূমদগী থোরকপা য়ারোই লাউথোকখিবনা কনাদা হংলুগনি। হংফমদি লৈতবনিনা সনাথোইগী মমাদা ঙানবীনা পাখৎনা হংজে,

‘‘ইমা, মাবু করিগীনো হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রিবসিবু?’’

‘‘খঙদেদা ইবেম্মা, করি তৌরবনো? সিফাই পুলিসশিং অসিনা কোয়চৎ চত্তুনা থেংনা থেংনবা ফুবগা কাপ্লগা তৌরিবনিনা কিদনা লাক্তবসু ওইরমগনি। মরাইনা লাকচনিদা?’’ মমাসু পাখৎলিবনি। ঙানবীগী ৱাখল ফাথনবা হায়বনি।

‘‘ইমা, ঐদি য়াম্না পাখৎলে। মাবু করম তৌরমগদগে?’’

‘‘হৌজিক ফাওবা লাক্তরবনিনা নোংঙানবা ঙাইবা হায়বদুনি। ইমৌসিদি য়াম্নসু খল্লুনুদা। লাইনা তম্বা অমা লৈরমগনি।’’

অসুম্না ঙাংনদুনা মখোয়নি মাগী মাগী তুমফমদা চঙনখি।

ফমুংদা চঙজবতনি ঙানবী তুম্বা য়াখিদে, মীৎ পাঙদুনা অসুম লৈখি। ঙাইহাক লৈতনা ফক্লাংদা থেৎলিবা ঘরিদা য়েংবদি লেপখিদে। অঙাংদুসু শুম্বা য়াদনা পংকপ্তা কপখি। অহিং থেংলক্লবদা অঙাংদু থেম্বা ওইনা শুম্বদা মাসু য়াওনা তুমখ্রে। খনহৈদবা ঙাক্তা খল্লগা তুম্বনরা খঙদে মঙদসু উহৈদবা ঙাক্তা উরম্মী। সনাথোই লমকোয়বা চৎলিবনি হায়দুনা মখোয় ময়াম থোরকখি। শুমাঙ মতোন্দা লেপ্তুনা খূৎ তিংথোক্লগা পৈশা খজিক্তা পীরকউ, পৈশা য়াওদ্রে হায়রম্মী। চাকসু য়াম্না লাম্মে। চাক লোইরব্রা হংই। ঙানবীনা চাক লোয়গদৌরে, করিগীনো শুমাঙ মতোন্দা লেপ্লিবদি চঙবীরকউ হায়খি। ‘‘ময়াম্না থোঙ্গালদা ঙাইদুনা লৈরে। ঐ ইমুংদা চঙলরোই। ইমাদা হায়দোক্কনু। ইমানা খঙলদি চৎহল্লরোই। থেংলে খরা থুনা পুথোরকউ।’’

‘‘ফরে অদুদি ঐ পৈশা লৌথোকচরুগে লৈবিরম্মু।’’

ঙানবীনা ইমুংদগী পৈশা লৌথোক্তুনা থোরকপদদি মহাক লৈরমদ্রে। প্রপ প্রপ চেন্থোরক্লগা থোঙ্গালদা য়েংবদা গারী বস অমদা মখোয় ময়াম তোংদুনা মখারোমদা গারীদু থৌথখ্রে। তান্না তান্না মানা কৌবদু তাবিখিদ্রে। মানা কৌবা খোঞ্জেলদো তাবদা মমানা, ‘‘ইবেম্মা করিগীনো, নঙনা লাউরিবদুবো?

‘‘হৌজিক্তা লাকপগুম তৌরম্বা।’’

অসুম্না ঙাংনরিঙৈদা থংনবা খুন্দগী অজা লাউরকপগী খোঞ্জেল তারকখি।

মীশিংনা চিবোন চিবোন সনাথোই নোংমৈ মরুনা পান্দুনা লৈখিদ্রে হায়না শোন্নরম্বদগী ৱা ৱা লাউনা ঙাংনরকই। পাউদু তাবদা সনাথোইগী মমা লৈমায়দা ৱান্থদুনা তাখি। ময়াম চঙদুনা ঈশিং থাদুনা লাক্লখি। ঙানবীসু মশম মনা ইফা ফানা চেন্থোরক্তুনা কন্না কন্না লাউরকখি,

‘‘নখোয়না ঙাংনরিবদো ওইদবনি। ঐ শুকথা থাজদে। ঐ হৌজিক মাবু থিরুগনি।’’

নৌজরিবী মাগী মতৌদু উবদা ময়ামদো থম্মোয় কায়খি।

সনাথোইগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা লৈগী দোলাই তোংদুনা মীওই চা কয়ানা লৈ চাইর –চাইরদুনা তেঙথা নাওই খোঞ্জেলগা লোয়ননা য়ূমলোমদা পুরকখি। ফি অঙৌবা অমনা কুপ্তুনা শুমাঙ মতোন্দা থম্বদো উবদা ঙানবী চেনশিন্দুনা থৱায় য়াওদ্রবা হকাচংদুদা কোন্দুনা কপচখি।

‘‘তামো চৎলবা হায়বদুরা নহাকপু? হন্দক মপোকসিমগী অমুক হল্লক্লরোইদবা মফমদুদা, শাংলবা পূন্সি লম্বীসিদা ইদোম হুন্দোকপীরম্লগা। পাঙ্গল শোল্লবী ঐনা তিংখং তুম্বৌনা থল্লবা লম্বীসিদা করমনা চৎকনি। পীক্লিবা মীরোল তাদ্রিবা নচাশিংনা কনাদা শিন্নবীরম্বগে? পাঙ্গল শোল্লবী ইমাগী অৱাবসে নহাক্তি উদ্রবরা?’’

‘‘ইমা কৈদৌরগে, মপান্দা অসুম লৈরিদুবো? ইমুংদা চঙবীরকও।’’ দারী মখাদা খোঙ য়ান্থদুনা হৌখিবা থৌদোক নীংশিং নীংশিং কপ্লিবী ঙানবীদা মচা নুপা নুংশিথোইনা হায়রৈ।

‘‘কৈশু তৌদেদা, হয়েংদো নঙ পাবুংগী নীংশিং কুমওননি। কুমওনসিনা লাকপদা ইমাগী মীৎকী পিসে খাম্বা ঙমদেনে।’’

‘‘ইমানা অদুম্না কপ্তুনা লৈরবদি ঐদি করম তৌগনি।’’

‘‘ফরে ইমা কপ্লরোই, অদুবুনে, নঙগী পাবুংনা থৱায় কৎখ্রবসু লানদি মায় পাকখি। নঙগী পাবুংদগী হেন্না মরাইবক ফবা কনাবু লৈরমগনি ? নঙগুম্বা মচা চাম্মা চাম্মনা মীৎকী পিগা লোয়ননা মোঙফমদা হৈরাং লৈরাং কৎলরিবনি। ইরমদমসিগী ইমা কয়ানা মীৎকী পিগা লোয়ননা লৈগী খূজোক কৎলরিবনি। ইরমদমসিগী লুচিং পুরেল কয়ানা মঙক নোন্না খুরম্লিবনি। মঙোন্দগী হেন্না চাউববু কদায়দা লৈরমগদগে? মখোয়গী কখোকপা অদুনা ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈ কনবা ঙমখিবনি। মখোয়গী নীংশিং কুমওনদি নুমিৎ থানা লৈরিমখৈ মুৎলরোই।’’

‘‘অদুদি, ইমা নচাবুসু ইরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎপা ঙম্বা থৌজাল পীনবিয়ু।’’

‘‘ইমাগী ইবুংঙো, ইচাবু ইথানুংদা অমুক্তা চেজেৎ কোনগে লাও। ইচাগুম্বা থৌনা ফবা মচা পোকপী মণিপুর ইমানা কৈদৌনুংদা মীখা পোল্লোই।

## শৈরেং

### থাবল্লৈ

– *রাজকুমারী মীনা*

থাবল্লৈ কৌবী লৈরাং নুংশিবী
লৈরাং ইতা নঙগী নুংশি লৈনম্না
মায়কৈ খূদিং মফম খূদিং য়েল্লিদা
লৈরাং নহাক্কী লৈনম হেনগৎলিদো
মীওইবা কয়াগী থম্মোয়বু নুংওলহল্লিবা
লৈরাং নঙগী শুমহৎপা লৈনমদা
তাইবঙ কয়ানা ঙাওজৈদো
ফাজিনবা য়াদ্রবা নহাক্কী লৈনমদা
নীংথিরবা থাবলগী মঙালদা শাৎচবী
মীগী থম্মোয়বু শুমহৎপা ঙম্বী
লৈরাং নঙগী লৈনমসে কাউবা ঙমদে
তাইবঙ মীরোল কয়াগী যুগ যুগ খূদিংদা
পূম্নমক্কী পূক্লিং শুমহৎপা ঙম্বী লৈরাং
কোলোয় নঙগীদি থাবল্লৈ।

### খেন্নবা

–*এসঐচ শান্তিবলা*

খোঙচৎতি লেপত্রি মঙমদি শান্দে
শক্তমশিং মমি ইশাম শাম্মী।
খেন্নরি মৈরু অনীগুম,
নুং অমদি পান।
মৈচাক পুরি চীম্বালদনা মীনোক
ফাগী তৌরি পূন্সিনা পূন্সিদা
নোকপদি মতারি
নোক্লিংদ’ নোক্লিংদ’
মচু শঙলি অপাম্বতা খন
থকহল্লি মীৎ মচুগী কুম্মৈনা।
চিংশিল্লকই লৈইশিং ফৈনা ফৈনা
লমায়শিংদা মন্থরক্লবা পূন্সিগী।
কাল্লসু ফুরদবা কান্দ্রসু ফুরদবা
খল্লি লৈইশিংসে মুখৎখ্রগে
অদুবু ওনখ্রে ইখূৎসিদি নুঙ।

### নহারোল

– *লাইশ্রম দেবেন সিংহ*

ঙসিগী নহারোল হয়েংগী য়ূম্বীরেল
উৎলু থৌনা পাঙ্গল লৈনা
চখৎলু মাঙদা নিংহন্নবা লৈতনা।
খোঙফমদু য়েংউ অথৌবশিংগী
চাদা নাওদানি মখোয়শিংগী
শিংলিদা ঈ চেল্লিঙৈ অপুনবা শক্তি
পুরকউ চাউখৎ লৈবাক মালেমদা
মদুনা নঙগী লংলবা নগুননি।
কিবা থম্মোয় পাংদবৈ মতৌ
চিনবুং থৌনা অমত্তা ওইয়ু
তাইবঙ লমজেলদা মাঙ থাও
লৌশিং পাঙ্গল লংলা তৎকনু
মীনুংশি মৈরা চুখৎলু
অমত্তা ওইবা লিপুন্না চেৎনা পুল্লু
ইমাগী সেবা মতোল লোম্মু
পোকপৈ মহৈ য়াল্লু।

### খোঙচৎ

– *শামুরাইলাৎপম শকহেনবী শর্ম্মা*

চৎলবদি য়ৌবনি
য়েংলবদি উবনি
উরবদি খঙবনি
খঙলবদি হৈরবনি।
চত্তনদি করম্না
পন্থুংদো য়ৌগনি?
য়েংলুদ্রবদা করম্না
উগনি পোৎশক্তো?
উরুরবদা পোত্তুগী
মতিক মগুণ খঙলক্কনি।
খঙনা হৈনা পোকপা
কনাসু য়াওদবনি তাইবঙদা।
তাইবঙ লীলা য়াওননবা
শেম্বীরকপনি তাইবঙ মপুনা
তাংলবা মপোক্লি তাইবঙগী
পোকপগী মহৈ য়ালহলসি।

### ৱাকচিংগী গুলাপ

–*কাংজম হেমন্ত সিংহ*

খ্বাংদা খ্বাংচেৎ লাক
কোক্তা য়েন্দাই পু
নিংথম উলেন
নোংজু নুংশা মরক্তা
শল্লাং ইফা ফা
ফনেক খোঙদাই শেৎ,
নপারী নমোমশিংগী খনবদা
চোকথবা নাইদ্রবা
হকচাং পোলাংদুনা
ৱারে কৌবতা হায়দ্রিবী
অখাং কনবীনি নঙদি
তাইবঙনা শোন্নরিবা
ইংলবা ৱাকচিংগী উলেনলক্তা
চীক্লা লৈশাৎ তল্লিবী
লৈরাং আতরগুলাপকুম,
অদুবু! শোঞ্জবতনি তাইবঙনা
লৈরাং নঙগী অৱাবদদি
কনানবু শরুক য়াবিরিবগে?

### তায়োন্নবা

– *ককচিংতাবম শ্যামসুন্দর শর্ম্মা*

অয়ুক্কী কোরৌ নীংথিবা
ঙাংঙ্রান্নবা নহাক্কী শকফম
ফংবদা ৱারবা চৈথেং
অয়ুক্কী লীক্লা থরো
মায়খুম ফিজং খনখ্রে।
অহিংগী মতমদা চাক্তাবা
উচেক লক্তগী মকুনা
নোংঙাল্লকপদা কপচরি।
অয়ুক্কী কোরৌনা লাক্লবদা
থম্বাল থারিকথা মথক্তা
খোইমু শাখপ তম্নরে।
ঙানু থাঙ্গোং চাক্তারে।

## তাবুনুংদগী

*মতম অমদা মণিপুরদা য়াম্না পাম্নরম্বা কুম্মৈশিংগী মনুংদা পেনা তাবসিসু অমনি। লৈকাই লৈকাই খূদিংগী শঙ্গোইদা মান্দপতা মীনা চোন্না তিন্দুনা পেনা তানরম্মী। পেনা শকপশিংনা ৱারী পরিং কয়া শক্লরবসু মপুং ওইবদি খম্বা থোইবীগী ৱারীনি। ৱারী পরিং অসিগী মনুংদা পেনা শকপশিংনা মশাগী হৈজ শিংজবা উথোক্তুনা শকচবা অদুগা অতাবশিংনসু ময়া কাদুনা তানবা মতাং অমদি কাউ ফাবনি। মতম অদুদা মীয়াম্না পাম্না তানখিবা কাও ফাবগী পেনা শৈশক মতেক অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

‘‘খুমন ইবুংঙো নোংয়াই মচা খম্বা, ইন্নবা কনবা লেংবান্নি,
শুক শুকপা পাম্বোমনি, লৌ হৈবা কমলাকনি।
নিংগোং চপ্পা ফৈবাক্লি, লমজেল য়াংবা খুনামনি,
নুঙ চপ্পা থবাক্লি, কবুই শলাং নিংথৌ মপারী।,
মুক্লা খোঙনা, ইথিংদা –পন্থিংদা, চেঞ্জোংদা মাঙজোংদা,
খোংয়াইদা ফুগৈদা, থাংদা –তাদা, ইয়ুম মোইরাং লৈবাক্তা,
পারী ইবুংঙো ইচাগী লম্বা ওইগদবা তম্বা নিপা লৈ,
নহাদে অদোনদে, পুরেম্বগী মচা, ঙাঙ্খৈরমগী মনুংয়াই,
খম্নুগীনা মৌপ্পা, ফৈরোইজাম্বগী মশেল, চাউবগী মমাক,
থোঙলেনগী মপারী, মপু ইবুংঙো মোইরাং নিংথৌগী,
মনাও ইবুংঙো ৱাঙ্গোল নিংথৌগী, মথং খনবগী পাম্বোমদি,
অঙৌবগী মতৈহন, নোংয়াই মচা খম্বনি।
ইন্ন–কনবা লেঙদোনসিনা, তাপ হেক্তা পায়রগা
য়েৎতা লৈবা হারু ওইদা লৈবা হারু,
থাংজিং চীংশাংনা লৈবা মায়কৈদা, গ্রং হেক্তা লংশিন,
পুমতোয় পুমতোয় তোই, উফুল ফ্রং হৌ,
নুংঙাইরে হায়না লাওনরকপা, মানবী চীরেল পায়রগা,
খুমন্না ফৈরা তাজিল য়ৈনা, ফল চোংশিল্লগা,
নিংথি ঙাংবা ষণগী চীরোল অনীদো, মনাগা মচিলগা
তাপ পায়রগা খম্বনা, গ্রুক ইল্লকপদা,
খম্বনা খাঙবা ঙমদনা, ষণগী পন্থিং অসি নোংয়াইনা
গ্রীক ইনশিল্লকপদা লম ১৫ ইল্লি।
কাওনা নিফু ইল্লি, খম্বসু নিফু ইল্লি,
অসুম ইন্নরকপসিনা, খম্বনা কাওগী নাকথং মপাদা
খোঙবী অসিনা হাইজিল্লগা দং থিনবদি,
ননাইনা থাবনা মৱাৎলি ওঝাশিং,
করিদা প্রমাণ তৌসিগে, কুরাওদা য়োৎপী থাগুম্মীদা।’’

## মণিপুরী পান্থে–পাউরৌ, পাউতাক

* **খিত্তা হৈবদি কিবগী (অৱাবগী) মশক্কি।**
  – মহৈ মপুং ফাদবা খূদোংথিবা অৱাবা নঙই।
* **খিত্তা থাঙ্গৎলগা য়ৈবসু দোং, ৱাংনা থাঙ্গৎলগা য়ৈরবসু দোং**
  – খজিক্তং হায়রগসু তৌবা, লাওনা শংদোক্লগা হায়রবসু চৎপা।
* **খুকউ য়ূম শাবগীদমক ঙারুবাক নম্বো পোবা**
  – অমা ফঙনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা খাঙবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

– মীদুগী লৌশিংগী শক্তি মাগী পোকপদগী লোয়নরক্লবনি, মীদুগী থবক তুংগী য়েংলগা লেপ্পনি, অদুগা লাইবক্লা তম্বনা থবক তৌই অমসুং তেংবাঙনবসু ফংই।
– জীব পূম্নমক মতম্না মপূং ফাহনবনি অদুগা মতম্না হাৎপনি। পূম্নমক্লা তুম্লিঙৈদা মতমদি তুমদে, মতমবু মায়থীবা পীবা ঙমদে।
– পোকপদগী মীৎ তাঙলক্লবা মী উবা ঙমদে অপাম্বনা লাকশিনখ্রবা মী উবা ঙমদে, চাউথোক্লবা মী উবা ঙমদে, লন পাম্বশিংনা পাপ উবা ঙমদে।
– মশানা তৌবা থবক্কী মহৈ মশানা ফংজৈ। মশানা সংসারদা কোয়দুনা লৈজৈ, মশানা মশাবু নান্থোকহঞ্জৈ।
– প্রজানা তৌবা পাপ্পা নিংথৌবু ৱাহল্লি, নিংথৌগী ফত্তবা থবক্লা পুরোহিৎপু ৱাহল্লি, নুপী (মতু) না তৌবা পাপনা মপুরোইববু ৱাহল্লি, শিষ্যনা পঙবনা গুরুবু ৱাহল্লি।
– মীগী লমন তোল্লবা মপা (মচাগী) য়েক্লবনি, লমচৎ ফজদবী মমা (মচাগী) য়েক্লবনি, মশক ফজবা নুপী (মপুরোইবগী) য়েক্লবনি অদুগা অপঙবা মচা (মপাগী) য়েক্লবনি।
– মিহৌ করাম্বা মীদা খুদোল পীরগা ফাগনি, মঙক কনবা মীবু খূৎ লোন্নরগা ফাগনি, অপঙবা মীবু মানা হায়বা ইল্লগা অদুগা অশিংববুনা অচুম্বদু হায়রগা ফাগনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

৩০৭। মরূনা ময়াইদা মশানা থক–খাদা লৈবা করিনো?
৩০৮। মৈতৈরোলদা ৱাহৈ অমা লৈ। ৱাহৈ অসিমক অওইবা খঙনবদসু ওইদবা খঙনবদসু শীজিন্নৈ। শুপ্পগী অনেম–অৱাংদনা খেন্নবদু তাকই। ৱাহৈদু করিনো?
৩০৯। লৈগী জাৎতা লৈজরগসু মপালদুদি ইচি–চিন্নদবা, মনা নৎত্রগা মতোলদু চিন্নবা করি লৈনো?
৩১০। ঙাইহাক্কী মনুংদা খংচাও চাওথোকহনবা য়াবা মীৎনা উবা পোৎসি করিনো?
৩১১। মুরগনা হেন্না ফজৈ লৌনবসি করিনো?
৩১২। ঐগী ইমা ইপানি, ঐনা মখোঙ–মখূৎ পানবীরে অদুবু চৎলোদি য়াদবা করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (১২–০১–২০২০) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

৩০০) নিংথৌ অনীনি। মদুদি (১) কফোই (২) হৈনৌনি। কফোইনা হিন্দুশিংনা থাজনবনি থীজিনবশিংনদি হৈনৌনা হকচাংদা কানবা মচল খ্বাইদগী হেন্না য়াওবা হৈনি লৌই।
৩০১) লৈ অথোইবী অনী শুই মদুদি (ক) থম্বালনি। (খ) অতরগুলাবনি। হিন্দুশিংনদি (মসিবু ক্বীন ওফ ফ্লৱারস কৌই) থম্বালনা অতরগুলাপতগী হেন্না ৱাংনা লৌই।
৩০২) তখেল্লৈ লাবগী পাম্বীনি। ৩০৩) য়েন্দং পাম্বী। ৩০৪. পূক্লীংনি। ৩০৫)পূক্লীংনি।
৩০৬) লাংবন উচি খোয়।

## চয়োলশিগী ফাগী

**অশিংবা অঙাং !!**

অঙাংশিংগী ক্লাসতা ইংলিশকী ওঝানা গ্রামার তাকপিবগী মরক্তা হংলকই।
– ‘তোম্বনা পৈশা লৌ য়াদে।’ হায়সিদা ‘তোম্বা’ হায়রিবা নুপামচা অসি করিনো?
– (অমনা ইচং থৌনা লেপখৎলক্লগা খুম্লকই) সার, তোম্বা হায়রিবসি অপঙবা অঙাং অমনি।

**অতোপ্পা সংসার !!**

অঙাওবশিংগী লায়েংফম লৈফমদা অমনা কন্না লাউরকই– ‘শেম্বীবা মপুনা য়াইফরে, সনা লৈবাক্কী অৱাবা কোকহন্নবা মপু মানা নোংদা লাইরেন পাখঙবা ঐহাকপু অমুক হন্না থাবিরক্লে।’
– মদু তাবদা অমনা হংলকই– ‘নহাকপু ইনিংথৌ পাখঙবনি হায়বসিদি কনানা হায়রিবা?’
– তাইবঙবু শেম্বীবা চীংউ মানা হায়বনি।

ৱাদু তাবগা অতোপ্পা অমনা অমুক তিংখত্তনা লাউরকই–‘নচিন থিনু, ঐদি অদুম্না শুকহায় হায়খিদে।’

**পোষ্ট ওফিসকী মথৌ!!**

পোষ্টমেন অমনা লাঙ্গোল চীং কাখৎলগা লৈবা য়ূম অমা তান্না য়াম্না ৱানা চৎলগা চিঠি অমখক থিল্লুই...
– অস! অদোমগী য়ূমসি য়ৌনবা হোৎনবদা কয়াদি ৱারে, চিঠিসি লৌশিনবিয়ু।
– করিগী অদোম্না অদুক ৱানা থিনবিরক্লিবনো! পোষ্ট ওফিসতা ওইনা হেক থাবিরকপা য়াবদুবু?